# ৬৩ শুবা সী সী মীট ক্বার্টর ফাইনেল লীগ ষ্টেজ : এস য়ু সগোলবন্দনা ১১-ষ্টার এস য়ুবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস): মীয়াম্না সী সী মীট হায়রগা হেন্না খঙনরিবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শিন্দুনা লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ অমদি খুমন লম্পাক মেইন ষ্টদিয়মদা শান্নখিবা ৬৩ শুবা সার চুরচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিয়ল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ ষ্টেজগী মেটচতা এস য়ু সগোলবন্দনা ১১-ষ্টার এস য়ু অকাম্পাৎপু পাঞ্জল ২-০ দা থোইদুনা মথং মেটচকীদমক শেম শাবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫৮ শুবা মেটচ ওইনা লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফগ্রাউন্দদা ঙসি নুংথিল পুঙ২.১৫ তাবদগী এস য়ু সগোলবন্দ অমসুং ১১-ষ্টার এস য়ু অকাম্পাৎ টিম অনীগী মরক্তা শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিগী ওইনা নাকল অনীমক্না য়াম্না চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদে। মেটচ অসিগী অহানবা হাফ শান্নবা হৌখ্রবা মতুং এস য়ু সগোলবন্দনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা হৌরকখি। বোল হেন্না পায়বা ঙমদুনা শান্নখিবা অদুগী খুদোংচাবা লৌরগা মেটচ অসিগী ৩২ শুবা মিনিটতা এস য়ুগী লুনমিনথাংনা মেটচ অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। ১১-ষ্টারগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদুবু হন্দোক্লবা হান্নদগী হেন্না কন্না শান্নরকখি। অদুবু পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এস য়ু সগোলবন্দনা পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুদসু বোল পায়বগী চাং এস য়ুনা খরা হেনখি। অদুবু পাঞ্জল চনবদি ঙমখিদে। নাকল অনীমক্কী প্লেয়রশিংনা য়াম্না হৈনা শিংনা শান্নখিবা অদুনা য়েংবা লাক্লিবা মীওইশিংগী মীফম হোংহনখিদে। মেটচ শান্নরিবা টিমশিং অদুবু শৌগৎপা মাগী মাগী ওইবা ফেনশিংনা পুক্লিং থৌগৎপা খোল্লাউ কয়া লাউনখি। মদুনা প্লেয়রশিংদা হেন্না থৌনা হাপখি। অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুদা টিম অনীগী প্লেয়রশিংনা ফাউল তৌবগী চাং অহানবা হাফতগী হেনখি।

নাকল অনীগী মরক্তা চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখ্রবসু মেটচ অদুগী ৭০ শুবা মিনিটতা এস সগোলবন্দগী প্লেয়রশিংনা থুনা য়াঙনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা টিম অসিগী জেরি পুলামতেনা হৈনা শিংনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেটচ অসিগী অনীশুবা পাঞ্জল অমদি টিমগী ওইনসু অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অমরোমদা পাঞ্জল অনী চনখিবা অদুনা মরম ওইরগা ১১-ষ্টারগী প্লেয়রশিংনা হান্নদগী হেন্না কন্না শান্নরকখিবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা অকনবা লম্বা তৌনবা হৌরকখি। অদুবু মেটচ অসিগী ৭৪ শুবা মিনিটতা ১১-ষ্টারগী জর্সি নম্বর ২ ওইনাম রোসননা ফাউল তৌখিবা অদুবু রেফ্রিনা বুক তৌখিবগা লোয়ননা মহাকপু রেদ কার্দ উত্তুনা মেটচ অদুদী তান্থোকখি। মহাকপু মেটচ অদুদা রেদ কার্দ পীখিবা অদুনা মরম ওইরগা টিম অনীগী প্লেয়রশিংগী মরক্তা হান্নদগী হেন্না লম্বা তৌনরকখি। ১১-ষ্টারগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরবসু পাঞ্জল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অসিগী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু এস য়ু সগোলবন্দনা পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা হয়েং মেটচ অনী লৈগনি। অয়ুক পুঙ ১১.৪৫ তাবদা লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫৯ শুবা মেটচ ওইনা ক্লাসা এফ সী কৈনৌ অমসুং এফ ফোর সী সাইকুল অদুগা নুংথিল পুঙ২.১৫ তাবদনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬০ শুবা মেটচ ওইনা মুভানলাই এঠলেটিক্স কাংপোকপী অমসুং সী এফ এ চীংমৈরোং টিম অনীগী মরক্তা মেটচ শান্নগনি।

অমরোমদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা এস য়ু সগোলবন্দগী জর্সি নম্বর ৩ লুনমিন্থাং হাউকিপনা তাখি।

# অহানবা এম এন সী এ সুপরপ্লেট টুর্নামেন্ট : ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবাল অমদি রুল মালোম মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস): অহানবা এম এন সী এ সুপরপ্লেট টুর্নামেন্ট ২০২১-২২ গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা কে এস দি ও ক্যামগৈবু ৱীকেট মঙাদা অদুগা রুল মালোমনা এস দি সী লাইফম খুন্নৌবু রন ১০৯ দা থোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১০ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুঙ ৩.৪৫ তাবদগী লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা কে এস দি ও ক্যামগৈ অমসুং ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবাল টিম অনীগী মরক্তা শান্নবা হৌখি। মেটচ অসিগী ওইনা কে এস দি ওনা তোস ঙমদুনা অহানবদা বেট্টিং তৌনবা খনখি। অহানবা ইন্নিংসকী ওইনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুদা টিম অসিগী ওপন্নর ওইরিবা মোহমদ সমির খান অমসুং নৱাজ সরিফ অনীমক রন ২/২ খক্তমক লৌরগা আউট ওইখি। মদুগী মতুং টিম অসিগী হমজানা বোল ৭৩ দা রন ৬০ লৌদুনা য়াম্না ফজনা শান্নরমখি। মহাক্কী মতুংদা থোরকখিবা বেটসমেনশিংনা রন ১৫ ফানা অমত্তা লৌবা ঙমখিদে। মেটচ অসিগী ওভর ৩১ গা বোল ৩ দা কে এস দি ও টিমগী ৱীকেট ১০ মক তুরগা পুন্না রন ১৩০ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসকী ওইনা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুদা ওপন্নর ওইখিবা সেরাম রোবিনসন অমসুং জিকো সোরোখাইবমনা মথংশিংনা রন ২১ অমদি ৩৪ লৌদুনা অহানবদা ফজনা শান্নরকখি। মদুগী মতুং ঙাঙবম বিক্রমজিৎনা রন ৩৯ লৌদুনা টার্গেট রন ১৩১ য়ৌনবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পাংখি। মেটচ অসিগী ওভর ৩১ গা বোল ৩ দা ৱাই দল্লিয়ু সীনা ৱীকেট ৫ তুরগা টার্গেট রন য়ৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু ৱীকেট ৫ দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১১ শুবা মেটচ ওইনা মোদেল হায়র সেকেন্দরি এন্দ ওরিএন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা অয়ুক পুঙ ৪.০৮ তাবদগী রুল মালোম অমদি এস সি সী লাইফম খুনৌ অনীগী মরক্তা শান্নখি। মেটচ অসিদা রুল মালোমনা তোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মেটচ অসিগী ওইনা অপীবা ওভর ৪০ লোইবদা রুল মালোমনা ৱীকেট ৮ তুরগা পুন্না রন ২০৫ লৌবা ঙমখি।

এস দি সীগী প্লেয়রশিংনা টার্গেট রন য়ৌনবা হোৎনদুনা শান্নখিবা অদুদা মায়োক্নরিবা লম্বা রুল মালোমগী বোলশিং মায়োক য়াবা ঙমখিদবগা লোয়ননা শুপ্নতগী ওভর ২৪ দা ৱীকেট ১০ মক তুরগা রন ৯৬ খক্তমক লৌবা ঙমখি। মসিনা মরম ওইরগা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদু রুল মালোমনা রন ১০৯ দা মায় পাকখি।

# থা অসিগী ২০ দা খুমন লম্পাক্তা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস): মথং থাগী ১৩ দগী হৌরগা চহী অসিগী মে ২ ফাওবা কেরলাগী মলাপুরমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭৫ শুবা নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর সন্তোস ট্রোফি ২০২১-২২ (ফাইনেল রাউন্দ) দা মণিপুর টিমগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ২০ নুংথিল পুঙ ১ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক্তা লৈবা হোষ্টেল নম্বর ২ দা রিপোর্ট তৌরনবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা খঙহল্লক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোয়না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মখা তানা কোচিং কেম্প পাঙথোক্লবগীদমক প্লেয়রশিং অসি লাক্লবা খঙহনবনি। মণিপুর টিমগী মহুৎ শিনগদৌরিবা প্লেয়রশিং অদুদি এ বি ৱিরাইবৌ, মাইবম দেনি, ৱাইখোম অরুনকুমার, থাঙকিভেট কিপজেন, থিয়াম চীঙ্খৈঙানবা, নিংথৌজম মোমোচা, নাওরোইবম রোমেস, খাইদেম জেকি, লুনমিনলেন হাউকিপ, সোমিসন শিরাক, ঙারিয়ানবম জেনিস, খাইগুনহাউ জোয়ল হাউকিপ, এন জি বিদিনপর মোয়োন, জাংমিনলুন কুকি, থোকচোম মনিচান্দ, এ হেরোজিৎ, লাইশ্রম চীঙ্খৈঙানবা, সুধির লাইতোঞ্জম, অঙোমজাম্বম চীঙ্খৈ মৈতৈ অমসুং এম দি অবুজারনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

# ৩৭ শুবা মেন্স ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ইরোইশেম্বদা হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসন (অম্পা) না শিন্দুনা ঙসি ইরোইশেম্বদা লৈবা এসোসিএসন অসিগী গ্রাউন্দদা ৩৭ শুবা মেন্স ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২২ হৌদোকখ্রে। হৌদোকপা নুমিত্তা লিম্থোইঙানবী কাঙজৈ লূপ অমসুং মৈরাবা পোলো ক্লব মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকখ্রবা মতুং অহানবা মেটচ ওইনা লিম্থোইঙানবী কাঙজৈ লূপ অমসুং চীঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব-বি অনীগী মরক্তা নুংথিল পুঙ ২ তাবদগী শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা পোলো মেটচ অসিগী ওইনা লিম্থোইঙানবী কাঙজৈ লূপনা খরা হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অসিগী অহানবা চকরগী ৫.২৯ শুবা মিনিটতা লিম্থোইঙানবী কাঙজৈ লূপকী ওমেস গুরুংনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অনীশুবা চকরগী ৩.২০ মিনিটতা টিম অসিমক্কী এল রোহিটনা অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অমরোমদা চীঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লবকী প্লেয়রশিংনসু য়াম্না কন্না হোৎনদুনা অহুমশুবা চকরগী মিনিট ৩.৫০ শুবদা টিম অদুগী টি ঐচ সন্তোসনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। হায়রিবা চকর অসিমক্তদা লিম্থোইঙানবী কাঙজৈ লূপকী ওইনসু এস দোলরনা পাঞ্জল অমা চনখি। মরীশুবা চকরগী ওইনসু টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমমম চন্নবা ঙমখি। লিম্থোইঙানবী কাঙজৈ লূপকী ওইনা পাঞ্জল অদু এন এলেক্সনা চনখি। অদুগা চীঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লবকী ওইনা টি ঐচ মনিসনানা চনখি। মেটচ অদু লিম্থোইঙানবী কাঙজৈ লূপনা পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচ আই এম পি টি অমসুং মৈরাবা পোলো ক্লব অনীগী মরক্তা নুংথিল পুঙ ৩ তাবদগী শান্নবা হৌখি। নাকল অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটছ অসিদা টিম অনীমক্কী প্লেয়রশিংনা য়াম্না মান্নবা মওংদা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিগী অহানবা চকরদা আই এম পি টিগী শঙ্কর নোংথোনবমনা থংন-থংননা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। অদুগা মৈরাবা পোলো ক্লবকী ওইনা অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা চকরদা এম দি অমির খাননা পাঞ্জল অনী চনখি। মেটচ অসিগী ওইনা শান্নখিবা এক্সট্রা টাইমদা মৈরাবা পোলো ক্লবকী অমির খাননা পাঞ্জল অমগা চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইবা ঙমখিবনি।

# কছারদা মৌশিংগী ওইবা অহানবা স্পোর্টস মীট হৌদোকখ্রে

জিরিবাম, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস): লুংবুংজাং এরিয়া রোংমৈ লু ফামনা শিন্দুনা ঙসি নমদাইলোং ভিলেজকী শান্নবুংদা মৌশিংগীতা ওইবা স্পোর্টস মীট অমা হৌদোকখ্রে।

নুমিৎ নীনী চুপ্না চথগদা স্পোর্টস মীট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা ৮৭ বটালিয়ন সী আর পি এফ কী সী এম ও ডা. ফ্লোরেন্স কামৈনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি। অদুগা স্পেসল কন্ট্রেক্টর পৌসিং কামৈনা থৌরম মপু অমদি লুংবুংজাং এরিয়া রোংমৈ লু ফামগী প্রসিদেন্ট কারিংলু কামৈনা অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারেল পীরদুনা ডা. ফ্লোরেন্স কামৈনা ফোঙদোকখিবদা, অসাম ষ্টেটকী মনুং চনবা কছারদা লৈরিবা রোংমৈ ফুরুপকী মৌশিংগী ওইবা স্পোর্টস মীট অমা পাঙথোকপা অসি য়াম্না থাগৎনিঙাই ওই। মৌশিংতগী ওইনা স্পোর্টস মীট অমা হৌদোকপা অসি মহাক্কী ওইনদি মমাংদা থেংনবা লৈত্রি। মফম অসিদা লৈরিবা রোংমৈ ফুরুপকী মৌশিংনা পুনবগী মতম অমসু স্পোর্টস মীট অসিনা পীরগনি। অমরোমদা ঙসি পাঙথোক্লিবা স্পোর্টস মীট অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা অমদি ষ্টেট অসিদা খল্লিবা নুপীশিংদা য়ুম পাল্লবা মতুংদা ইমুংদা লৈদুনা থবক শুগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন অদু হোংদোকহন্নবগী অচৌবা মরম অমসু ওইরগনি হায়খি।

# চঙাঙ্গৈগী ব্লোজোম স্কুলদা সুর্য়া নমস্কার প্রোজেক্ট লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংমক্তা থা অনী চুপ্ন চথরকপা ৭৫ ক্রোর সুর্য়া নমস্কার প্রোজেক্ট লোইশিনবগী থৌরম অমা ঙসি ব্লোজোম স্কুল চঙাঙ্গৈদা মণিপুর য়োগসনা স্পোর্টস এসোসিএসননা স্কুল অসিগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল পুখ্রম্বম বিরপ্রদাসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি ব্লোজোম স্কুলদা পাঙথোকখিবা লোইশিনবগী থৌরম অদুদা আর কে সনাতোম্বী ভিদ্যলয়া, পাঙ্গৈ অমদি ইবোনতোনসনা গর্লস হায়র সেকেন্দরিগী মহৈরোয়শিংসু শরুক য়াখি। ইন্দিয়া পুম্বদা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা প্রোজেক্ট অসি নেসনল য়োগসনা স্পোর্টস ফেদরেসন, পতাঞ্জালি য়োগপিথ, হার্টফুলনেস অমদি তোঙান তোঙানবা লূপা কয়ানা পুন্দুনা ভারত মাতা ৱীথ সুর্য়া নমস্কার হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবনি। ইন্দিয়াগী তোঙানবা তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোখিবা প্রোজেক্ট অসিদা মরুওইনা য়োগা সেন্টর, এদ্যুকেসনেল ইন্সটিট্যুসনশিং অমদি ওর্গনাইজেসনশিংগী মেম্বরশিং অমদি মহৈরোয় কয়ানা শরুক য়াখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা প্রোফেসর তখেল্লম্বম ইনাওবী, দিন স্কুল ওফ এদ্যুকেসন এন্দ ঐচ ও দি ফিজিকেল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি। অদুগা ব্লোজোম স্কুলগী প্রিন্সিপল চীংলেম্বা সাপম অমসুং ইবোতোনসনা গর্লস হায়র সেকেন্দরিগী লেকচরর লিসম জিতেশ্বরিনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। অমদি থৌরম অসিদা অথোইবা মীথুংলেন অমদি অখন্নবা মীথুং ওইখিবশিংনা য়োগা তৌবগী কান্নবা অমদি মতৌ করম্না য়োগা তৌগদগে হায়বগী মতাংদা মরুওইবা ৱাফম কয়াসু ঙসিগী তিনখিবা মহৈরোয়শিং অদুদা খঙহনখি।

# জুন থা ফাওবগী মনুংদা রসিয়ন ক্লব থাদোক্লবা খঙহনখ্রে

জুরিক, মার্চ ০৮ (এজেন্সি): রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা লান হৌখ্রবা মতুং স্পোর্টসকা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়া রসিয়াগী মথক্তা অথিংবা থমজিনবা হৌখ্রবা মতুং রসিয়ন ক্লবশিংদা শান্নরিবা ফোরেন প্লেয়রশিংনা চহী অসিগী জুন থা ফাওবদা ক্লবশিং অদু থাদোকপদা অয়াবা পীখ্রে অমদি হন্দক্কী সিজন অসিগী ওইনা ক্লবশিং অদু ফোরেন প্লেয়রশিংনা থাদোক্লবা ফিফানা খঙহনখিবনি।

রসিয়াদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট কয়াসু ওলিম্পিক এসোসিএসননা অথিংবা থমজিনখিবগা লোয়ননা মালেমগী ওইনা ফুটবোলগী খ্বাইদগী চাওবা বোদি অমা ওইরিবা ফিফানসু লৈবাক অদুদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা টুর্নামেন্টশিং কেন্সেল তৌখিবগা লোয়ননা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপতা রসিয়া য়াওহন্দনবা ফিরেপ লৌবা লৈখ্রে। অতোপ্পা লৈবাকশিংদা হৌজিক-হৌজিক চথরিবা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস ইভেন্টশিংগী টুর্নামেন্টশিংদা রসিয়াগী শান্নরোয়শিংনা মেদল লৌবা ঙম্লবসু মখোয়গী ফিরাল চিংখৎতবা অমদি লৈবাক্কী ওইবা ঈশৈ শক্তনবসু খঙহনবা লৈখ্রে।

অমরোমদা, ফিফানা য়াম্না থুবা মওংদা রসিয়াগী প্লেয়রশিং অমদি রসিয়ন ক্লবশিংগী মথক্তা অথিংবা থমজিনখিবগী থৌওং অদুবু গ্লোবেল প্লেয়রস য়ুনিয়ননা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা ফিফাগী য়াম্না থুবা ফিরেপ অসিনা মরম ওইরগা শান্নরোয় কয়াগী পূন্সিদা চাওনা অকায়বা পীরকপা য়াই হায়রি। য়ুক্রেনগী মথক্তা রসিয়ানা এটেক চথবা হৌখ্রবা মতুং ফিফানা রসিয়ন টিমবু ইন্টরনেসনল ফুটবোল গেমশিংদা শরুক য়াবদা অথিংবা থমখিবনি। অদুবু লৈবাক অদুগী ফুটবোল ফেদরেসন নৎত্রগা ওফিসলশিংনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা সস্পেন্দ তৌবগী ৱাফমদি লৈত্রি। ফিফানা রসিয়ন ক্লবশিংদা শান্নরিবা ফোরেন প্লেয়রশিং জুন থা ফাওবদা তোক্লবা খঙহনখিবা ফিরেপ অদু হন্দোকহন্নিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোক্লরক্লি।

# প্রেমিয়র লীগ : টোটেনহাম হোটস্পরনা ইভরটনবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে



লন্দন, মার্চ ০৮ (এজেন্সী): য়ু কেদা হৌজিক-হৌজিক পাঙথোক্লিবা প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা টোটেনহাম হোটস্পরনা ইভরটনবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৫-০দা থোইবা ঙমখিবগা লোয়ননা মথং রাউন্দগীদমক শেম শাবা হৌখ্রে।


লন্দনগী টোটেনহাম হোটস্পর ষ্টেদিয়মদা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুদা টোটেনহামনা বোল পায়বগী চাং হেনখি। মেটচ অদুগী ওইনা টোটেনহামনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৫৫ ওইখি। অদুগা ইভরটননা বোল পায়বগী চাংনা চাদা ৪৫ খক্তা ওইখি। টোটেনহামনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরবসু নাকল অনীমক্কী পাস এক্যুরেসিদি অদুম্মক মান্নখি। টোটেনহামগী ওইনা পাস এক্যুরেসি চাদা ৮৯ ওইখি অদুগা ইভরটনগীনা চাদা ৮৬নি।

নাকল অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাফতা টোটেনহাম হোটস্পরগী প্লেয়রশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবা অদুগী খুদোংচাবা লৌরগা মেটচ অসিগী ১৪ শুবা মিনটতা ইভরটনগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা পুশিল্লকখিবা বোল অমা থিংনবা হোৎনবদা ইভরটনগী মাইকেল কেননা শোয়বদগী মশাগী মায়কৈদা পাঞ্জল ১ চনশিঞ্জখি। মদুগী মতুং ইকান কান্নদনা ১৭ শুবা মিনটতা টোটেনহামগী সোন হিয়ুং মিননা মেটচ অসিগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। মেটচ অসিগী ৩৭ শুবা মিনটতা হেরি কেননা পাঞ্জল ১গা চন্দুনা হাফ লোইবা ফাওবদা ৩-০দা মাংজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুদা টোটেনহামগী সর্গিও রেগ্যুলিয়ননা ৪৬শুবা মিনট অদুগা হেরি কেননা ৫৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম্ চন্দুনা টিম অসিগী পাঞ্জল ৫ চনখি। অদুবু ইভরটনগী ওইনদি মেটচ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা টোটেনহাম হোটস্পরনা মেটচ অদু ৫-০দা লায়না থোইখি।




HL-B/7466/15/2-18/4 (alt)


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 394**

**Capdepon, Nelson - Pelikan, Jorge (2335)**
**Zarate op Zarate, 1972**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 c5 | 2.d5 e5 | 3.c4 d6 | 4.Nc3 Nf6 |
| 5.e4 Be7 | 6.f3 O-O | 7.Be3 Ne8 | 8.Qd2 a6 |
| 9.g4 Bh4+ | 10.Bf2 Nd7 | 11.Bxh4 Qxh4+ | 12.Qf2 Qxf2+ |
| 13.Kxf2 Rb8 | 14.Nge2 b5 | 15.cxb5 axb5 | 16.Ng3 b4 |
| 17.Nd1 g6 | 18.Ne3 Nb6 | 19.h4 Bd7 | 20.Bd3 Nc7 |
| 21.h5 Nb5 | 22.Rh2 Nd4 | 23.Rah1 Kg7 | 24.hxg6 hxg6 |
| 25.Rh7+ Kf6 | 26.R7h6 Ra8 | 27.Bb1 c4 | 28.Ngf5 Bxf5 |
| 29.gxf5 c3 | 30.fxg6 fxg6 | 31.Rh7 c2 | 32.Bxc2 Nxc2 |
| 33.Nxc2 Rxa2 | 34.Ne3 Rxb2+ | 35.Kg3 Rb3 | 36. ... |

**QUESTION :**
**White to Win**

**Puzzle 393 Ans. :**

39. ...Nf3+ Opening the line from g6 to g1. 40. gxf3 Rg6+
41. Kh1 Nf2#
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com